লায়েংমল লেপথোক্তুনা...

লামায় ১গী মখা... মীৎয়েং মখাদা গভর্ণমেন্ট হোস্পিটালশিংদা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌনবগী আর টি পি সী আর মশিং হেন্না থম্বিদুনা লৈত-লায়রবা মীয়ামগী খনবিদুনা টেষ্ট তৌবগী মমলসু অনেম্বা মমলদা ফংহনবিয়ু। প্রাইভেট হোস্পিটাল খরদা টেষ্ট তৌবগী মমল লৌনিংবা মওংদা লৌরকপা অসি এম এস এফনা অকনবা মওংদা য়ানিংদে। হৌজিক লমদম অসিদা কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভনা ওইহল্লক্লিবা ফীভম অসিদা শুপ্পগী ইশাগী ওইবা কান্নবা য়েংদুনা থবক তৌবগী মতম অদু নৎত্রে। প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদা কোভিদ-১৯না নারবা পেসেন্টশিংদগী অনা-লায়েংবগী মমল ওইনা লুপা লাখ অমা হেন্না লৌরব্রা হায়বগী চিংনবসু লৈরে। লুপা লাখ অমদগী লাখ অনী ফাওবা চঙদুনা প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদা লায়েংলবদি কোভিদনা নাবা ফরে খন্দুনা লায়েংবসু য়াওনরে। অদুবু চঙখিবা য়াম্লবা শেনফমশিং অদু পুথোক্লবা হোৎনবদা লৌ-ইংখোল ফাওবা য়োন্থোকপসু য়াওরে। ইন্দিয়াগী ষ্টেট অমা ওইরিবা অন্ধ্র প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টরনা কোভিদ-১৯ লায়েংবদা করিগুম্বা শেল য়াম্না লৌরম্লবদি এক্সন লৌখৎকনি হায়না লাউথোকখি। মদুগী মতুংইন্না শেল হেন্না লৌরম্বা প্রাইভেট হোস্পিটাল ৬ কী মথক্তা কেস লৌখৎখিবসু লৈখ্রে। মরম অদুনা লমদম অসিগী ওইনসু পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদা কোভিদ অনা-লায়েংবদা কা হেন্না শেল চঙলিবা অসিগী মতাংদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙদুনা ফিক্স রেট অমা থম্বিদুনা চপচাবা মমল অথুবা মতমদা লৈবাক মীয়ামদা খঙহনবিয়ু। অমরোমদা লমদম অসিগী ফমদোন-ফম্নাইবা ভি আই পিশিং অমদি গভর্ণমেন্টকী থবক তৌবা মীওইশিংনা প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদা লায়েংনবা কোইচেন-চেনবগী থৌওং অসি তৌহন্নিংদে। মদুগী মহুৎতা লৈঙাক্কী লৈরিবা হোস্পিটালশিং অসি প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদগী হেন্না ফনা থম্নবা হোৎনহন্নিংই। লোয়নননা লৈঙাক্লা লৈবাক মীয়ামগী য়েংলগা কোভিদ-১৯ লাইয়েংবদা চঙবা মমল চপচানা লেপথোকপীদুনা অহোংবা মমলদা অথুবা মতমদা লায়েংবা ফংহনবিয়ু হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	88.769885
US Dollar	72.883889
British Pound	103.139257
Australian Dollar	56.345886
Chinese Yuan Renminbi	11.327145
Japanese Yen	0.669031
Malaysian Ringgit	17.599379
Singapore Dollar	54.734891
South Korean Won	0.064605
Saudi Arabian Riyal	19.435704
Thai Baht	2.322144

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	47320.00
Mumbai	–	Rs	47165.00
Delhi	–	Rs	47165.00
Kolkata	–	Rs	47960.00

GAS NEWS

M/S MISAO GAS SERVICE
ONLY HOME DELIVERY
Booking Upto 14.2kg- 13/05/2021
Valid from-10/04/2021
***19kg Available
For delivery service Please contact -7085738631 or 8119967523
Call timing : 8 : 00 AM to 2:00PM.

POROMPAT INDANE GAS, POROMPAT:
Booking up to 22/03/21
Valid from 19/03/21.
#Every refill will be home delivered, pls contact 9366184547 for home delivery during 8AM to 10AM.
#For queries 9362661205

M/S BASHIKHONG INDANE
Booking up-to 07/04/21
Valid from 31/03/21
Home delivery only....
Contact no. 9089709738, 8794622868 Office timing 8.00AM. to 11AM will be delivery for 3days

GBD Indane Service
Booking upto :-13/04/2021
Valid from :- 27/03/2021
Stock :- 278
All Customers are Home Delivery (Delivery within 4 days)
Working hours 7:30 AM-11 AM and 2pm -4pm (Everyday Except Holiday)
Contact no. 7629947179 and 7629947187 for Refill Order and Enquiry

MM GAS SERVICE
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING
8:00 AM TO 12:00 NOON
BOOKING : 28.03.21
VALID : 19.03.21
FOR ALL IMPHAL-WEST & IMPHAL-EAST
8131942156, 7630902992, 7627968997
FOR ALL THANGMEIBAND & LAMPHEL
7628098544,,9089370369
FOR ALL LANGOL AREA
7085977502
DELIVERY WITHIN 3 DAYS

পীক্লিবা মচাগী য়েংবীদুনা মাইকেলগী ইমুং মনুংগী মীওইশিং থাদোকপীয়ু: এ এম ও এফ এ

ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচ এন এস):

ওল মোইরাং ফুটবোল এসোসিএন (এ এম ও এফ এ)গী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইবদা নত্তনা মোইরাংদা লৈবা গ্রো মণিপুর টীম (জি এম টি)গী ফাওন্দর পুখ্রম্বম মাইকেল অমদি ইমুং মনুং য়াওনা মীওই নিপাল বিষ্ণুপুর পুলিস অমদি ইম্ফাল ৱেষ্টকী পুলিসনা ঙরাং অয়ূক ময়ূমদগী মীয়ামদা নমথাক তৌই হায়বগী চার্জদা ফাগৎখ্রে। অমরোমদা কনাগুম্বা মীওই খরগী থৌইনশিন্দগী মাইকেল অমদি ইমুং মনুং পুলিসনা ফাজিনখিবা অদু মহাক্কী পীক্লিবা মচানুপীগী য়েংবীদুনা অথুবা মতমদা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা থাদোকপীনবা এ এম ও এফ এনা ফোঙদোরক্লি।

পুলিসনা ফাখিবা মীওইশিং অদুদি মোইরাং পুখ্রম্বম লৈকায়দগী পুখ্রম্বম মাইকেল (৩০) অপোকপা পি জি তেন, পুখ্রম্বম ববিতা (২৮), পুখ্রম্বম রবতি (৫৩), পুখ্রম্বম জিতেন (৬১), পুখ্রম্বম রেনুকা (২৮), খুন্দ্রাকপম বিকাশ (২৩) অপোকপা টিঐচ বসন্ত, ক্বাকৈথেল মখা থোকচোম লৈকায়দগী খুন্দ্রাকপম জেনি (২২) অমদি থাংমৈবন্দ সিনাম লৈকায়দগী কৈশাম উলেন (২৪) অপোকপা কে একেন্দ্রনি। মখোয়দগী পুলিসনা লুপা লাখ ৭কা চে-চাং খরগা ফাগৎলে হায়রি।

লুপা লাখ ২৯ জি এম টিদা থল্লগা থা খূদিংগী ইন্টরেষ্ট ওইনা লুপা লাখ ২.৫ পীগনি হায়না থাজহল্লগা শেনে দায় অমদি শেল্লেপসু পীদবদগীনি হায়রি। মখোয় ৮ ঙরাং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট সী জে এম কোর্টতা পুথোক্লগা নুমিৎ তরেৎনি পুলিস রিমান্দ লৌথরে হায়রি।

নাকল অমরোমদা, থা অসিগী ২১দা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী টিম অমনা পি মাইকেল ফাওন্দর জি এম টি অমদি মহাক্কী ইমুং মনুংগী মীওইশিংবু কনাগুম্বা মীওই খরগী থৌওইনশিন্দগী ফাখিবা অমদি পুলিস কষ্টদিদা নুমিৎ তরেৎনি রিমান্দ লৌথখিবনা মহাক্কী পীক্লিবা চহী ৬লোমদা ঙাইরিবী মচানুপীগী খনবীদুনা মীওইবগী মীনুংশিদা অথুবা মতমদা থাদোকপীরক্নবা মরী লৈনবা ওথোরিটিদা খঙহনবগা লোয়ননা ওল মোইরাং ফুটবোল এসোসিএসনগী সেক্রেটরি কে রামেশ্বরনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, পীক্লিবা চহী ৬লোমতা ঙাইরিবা নুপীমচা অমবু হৌজিক্কী লুরবা কোভিদ-১৯গী অকিবা লাইচৎ মরক অসিদা ইমুং মনুংগী মীওই খূদিংমক পুলিস কষ্টদিদা থমজিনবীরগা পীক্লিবা অঙাং নুপীমচা অদুখক্তা য়ূমদা থম্বীরম্বা হায়বসি লাইবক থিবনি।

পি মাইকেল হৌজিক হৌজিক এ এম ও এফ এ মোইরাংগী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইদুনা শান্নরোয়শিং য়োকখৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা মীওই অমা ওইবদা নত্তনা লমদমসিগী সোসল ওর্গনাইজেসনশিং অমদি লমদম অসিগী মীয়াম্বু হকথেংননা অমদি নাকোয়ননা মতেং কয়া পাংলি। পূম্নমকসি য়েংবীদুনা মাইকেল অমদি মহাক্কী ইমুং মনুংগী মীওইশিং অথুবা মতমদা মীওইবগী মীনুংশি য়েংবীদুনা থাদোকপীরক্তুনা মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জিলহনবীনবা ফোঙদোরক্লি।

ক্ষেত্রিগাও এ সীগী কোভিদনা লৈখিদবশিংগী ইমুংদা লুপা লিশীং ৫/৫ পীরগনি

ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচ এন এস):

ইম্ফাল ইষ্টকী ক্ষেত্রিগাও এ সীগী সোসল ৱার্করনি হায়রিবা লময়ানবা ইপু হায়রগসু খঙনরিবা খুমন্থেম লখিকুমারনা এ সী অসিগী মনুংদা কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভনা মরম ওইদুনা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুংদা লুপা লিশীং ৫/৫গী শেনফম পীরগনি হায়দুনা লাউথোকখ্রে।

ৱাফম অসি মহাক্লা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবগী থৌরম অমদা লাউথোকখিবনি। করিগুম্বা লৈখিদ্রবা মীওই অদুনা ইমুংগী অহলশিং ওইরগদি মখোয়গী অঙাংশিংনা লাইরিক তম্বগী চঙগদবা শেলশিংসু চহী অমগী ওইনা মতেং পাংগনি হায়নসু লাউথোকখি।

পনবা য়াবদি এ সী অসিগী কন্টেনমেন্ট জোন অমসুং কর্ফিয়ুগী অথিংবা মায়োক্নরক্লিবা মীয়ামদা মহাক্কী মায়কৈদগী চান-থক্নবা পোৎলমশিং লেপ্তুনা য়েন্থোক্তুনা লাক্লিবনি। থবক অসিগী মখা তারকপদা ঙরাংসু ক্ষেত্রিগাও এ সী খক্তা নত্তনা উরিপোক খোইস্নাম লৈকায় অমসুং হুইদ্রোম লৈকায়গী ইমুং ৫৫০ রোমদা চান-থক্নবা পোৎলমশিংগী মনুংদা হৱাই, আলুনচিংবা য়েন্থোকখি। ঙসিনা লাঙ্গোলদা লৈবা সটজালগী মীওইশিংদা চেঙ, হৱাইনচিংবা মতেং পাংখি।

LAMYANBA
EEPU
COVID-19
RELIEF TASK FORCE
KSHETRIGAO A/C

ইতানা ৩লকশুবা ওইনা হীদাক লাংথক য়েনখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচ এন এস):

ইতানা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা হীদাক লাংথক য়েন্থোকপগী চঙশিল্লক্লিবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ঙসিসু অহুম্লকশুবা তাঙ্কক্কী ওইনা ইতা : নোর্থ ইষ্ট রুমেন্স নেটৱর্ক গ্রুপনা পেন্দমিক ওইনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯ অনীশুবা ৱেভনা লমদমসিদা মীশি-মীনা কয়া থোকহল্লিবা অসি তুজুংবা পোকহল্লিবা কল্লবা শাফ অসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক্তা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা শেল-থুমগী ফিভম চাদ্রবা, মখোয়গীনি হায়বদা কনা লৈজদ্রবা অহলশিং, অঙাংশিং অমদি ইমুং মনুংগী শেল-থুমগী ফিভম চাদ্রবা শান্নরোয়শিং খনগত্তুনা ঙসি গ্রুপ অসিনা হীদাক লাংথক য়েন্থোকখ্রে।

ঙসি হীদাক লাংথক য়েন্থোক্লিবা মফমশিং অদুদি লম্লাই এ সীগী মনুং চন্না লৈবা নোংপোক ককচিংদা লৈবা সিনিয়র সিটিজন হোম, সেক্তাদা লৈবা নৱাং পেনকাক সিলাত স্পোর্টস একাদেমি অমদি খুন্দ্রাকপম এ সীগী মনুং চনবা খুন্দ্রাকপম মখা লৈকায়গী ফিভম চাদ্রবা ইমুংশিংগী মীওইশিং লোয়ননা কৈবি সনাপাৎতা লৈবা য়াইবিলেন চিলদ্রেন হোমগী অঙাংশিং থারগা পূন্না মীওই ৪৯দা ইম্ম্যুন বূষ্টর, ফূদ সপ্লিমেন্ট, মেদিসিনশিং য়েন্থোকখি। য়েন্থোকখিবা হীদাকশিং অদুদি- জিংসেং, মল্টিভিটামিন, মল্টিমিনরেল অমদি এন্টিবাইওটিক্স কেপস্যুলশিংনি।

হীদাকশিং অসি অখন্নবা দোক্টর তানরগা য়াম্না ফিভম চাদ্রবা মীওইশিং অসিগী ইম্ম্যুন সিষ্টেম কনখৎহন্দুনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্তুনা নাদ-য়েক্তনা লৈনবা লৌখৎলকপা গ্রুপ অসিগী খোঙথাংনি। ইতা : নোর্থ ইষ্ট রুমেন্স নেটৱর্ক গ্রুপ অসি মরু ওইনা তোঙান তোঙানবা নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেটশিংদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরিবা নুপীশিংগী মতম মতমগী ইস্যুশিংদা তেংবাং পীনদুনা অমগা অমগা সপোর্ট তৌনরিবা গ্রুপ অমনি।

ঙসি ঙসিমক পেন্দমিক ওইনা মালেমগী মফম শিনবা থুংনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯গী তমথিরবা লায়না লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্নবগীদমক মীয়াম পূম্নমক্না ইশা ইশানা রেস্পোন্সিবল সিটিজন অমা ওইনা তৌদবা য়াদ্রবা ইথৌদাংনি খনবীরগা এস ও পি ঙাক্না লৈবীয়ু। তমথিরবা লায়না লাইচৎ অসিদগী ঐখোয় পূম্নমক ঙাকথোকমিন্নরসি হায়না আপীল তৌরক্লি।

পল্লেলগী য়ূমথোঙ খূদিংদা চান-থক্নবা পীখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচ এন এস):

কোভিদ-১৯ থিংননবা লৈঙাক্না কর্ফিয়ু চথরকখিবনা অৱাবা চৈথেং নংলবা ককচিং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চন্না লৈবা পল্লেলগী য়ূমথোং ৭৫০ রোমদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী স্পেসল ইনবাইটি, সোসল ৱর্কর, চেয়রমেন, ভুবোন টেক্নিকেল এন্দ স্কিল দিভলপমেন্ট প্রাইভেট লিমিটেদ, নাওরেম নবচন্দ্রনা চান-থক্নবা মাইরেন, খোংদ্রুম, চিনি অমদি চা মনানচিংবা পোৎলমশিং তেংবাং পীখ্রে।

য়ুথ ভোলুন্টিয়র এসোসিএসন (ৱাই ভি এ) পল্লেলগী খূথাংদা তেংবাং পীবা থৌরম অদুদা এন নবচন্দ্রনা হায়, কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ অসি থিংনবা ইন্দিয়া অমসুং মণিপুর লৈঙাক অসিনা চানবা চেঙ য়েনবা য়াওনা থবক থৌরম কয়া লৌখৎলি। মীয়ামসু য়ূমদগী থোকপা য়াদ্রবনিনা চানবা মনা-মশিং ফংনরক্তবগী অৱাবা খুদোংচাদবা কয়া অমা মায়োক্নরকপা অসি উবদগী ককচিং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী পল্লেল হায়রিবা খুল অসিদা অহানবা ওইনা মহাক্কী মায়কৈদগী য়ূমথোঙ খূদিংদা ঙসি পীরিবা তেংবাংশিং অসি ৱাই ভি এ মেম্বরশিংদা খূৎশিন্নরগা মীয়ামদা ফংহনবনি। মখা তারকপদসু ককচিং এ সীগী অতৈ মফমশিংদসু তেংবাং অসি মখা তানা য়েন্থোক্কনি ফোঙদোকখি।

তেংবাং পোৎলমশিং য়েন্থোকপা অদুদা ৱাই ভি এগী প্রসিদেন্ট রোমেন খুমননা ফোঙদোরকপদা চথরিবা কর্ফিয়ু মনুংদা য়ূমদগী মীওই অমত্তা মপান থোকহল্লোই হায়রবদি লৈঙাক্না কোভিদকী অহানবা ৱেভতা য়ূমথোঙ খূদিংদা নোংমগী মথৌ তাবা পোৎলমশিং লেম্না পীখিবা অদুগুম্না হন্দক্কী অনীশুবা ৱেভ অসিদসু ফংহনবীয়ু হায়না লৈঙাক্কী পুক্নিং চিংশিল্লক্লি।

রোমেননা মখা তারদুনা হায়, ষ্টেট অসিদা কোভিদকী লাইচৎ অসিগী ফিভম অসি নোংমা নোংমগী লুশিল্লক্তুনা মীয়ামদা অকিবা ফাওনরে। অদুবু অকিবা ফাওরবসু নোংমগী চাদ-থক্তবদি য়াদবনিনা মীওই কয়ানা লৈঙাক্কী কর্ফিয়ুগী অথিংবা থুগায়দুনা শেল তানবা য়ারোই। মরম অসিনা অসিগুম্বা ফিভম অসি লৈতনবা লৈঙাক্না মীয়ামগী মথৌ তাবা পোৎলমশিং লেম্না ফংহন্নবা থৌরাং অমা পায়খৎপীয়ু হায়খি।

মতেং পাংলক্লি

ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচএনএস):

য়াইরিপোক বিষ্ণুনহাদগী এস সী আই দি লায়না নাদুনা হৌগৎ কাংখৎপা ঙমদনা লৈরিবা থৌনাওজম লনচেনবগী লায়েংনবা অমসুং মহাক্কী ইমুংদা ঙসি ফাওবা লন্নাই মীওই অমদি সংস্থান কয়ানা লেপ্পা লৈতনা মতেং পাংলক্লি। ঙসিসু য়াইরিপোক জুনিয়র হায় স্কুলগী কুমজা ১৯৯৬ বেট্চনা তাশিন্নদুনা ঙমজবা খরা লেনচেনবগী লায়েংনবা অমদি ইমুং মনুংগী অৱাবদা মতেং ওইনবা লুপা ৬,০০০ তেংবাংলমখি। য়াইরিপোক জুনিয়র হায় স্কুলগী ১৯৯৬ বেট্চকী মীহুৎ ওইরিবা লোংজম বিপিননা হায়, চেন চোংদুনা শান্নজরম্বা চহী নৌরিবা লনচেনববু মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জিল্লকপা ঙম্নবা লায়েংবদা লমদম অসিদা লৈরিবা মীওই অমদি সংস্থানশিংনা অঙম্বা থাক্তা মখা তানা মতেং পাংবীয়ু হায়নসু আপীল তৌরক্লি।

ইবোহলবী লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচ এন এস):

৯শুবা অমদি ১০শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি ইলেক্সনদা মায় পাক্তুনা তাঙ্কক অনীরক ওইনাম কেন্দ্রগী মীহুৎ ওইরম্লবা দা. আই ইবোহলবীনা থাসিগী হৌখিবা তাং ২০দা খঙহৌদনা লৈখিদবদা ওইনামগী মীয়াম্না অৱাবা ফোঙদোকপা অমদি লৈখিদ্রবগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তম্বগী থৌরম অমা দা. ইবোহলবীবু নুংশিজবা মীওইশিংনা শীন্দুনা ওইনাম ময়ায় লৈকায় কম্যুনিতি হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা ওইনাম ম্যুনিসিপাল কাওন্সিলগী এক্স-চ্যেরপর্সন এন সনাহল, এক্স-ভাইস চ্যেরপর্সন ও মোইরাংনিংথৌ, অতৈ এক্স-কাওন্সিলশিং, খুলগী অহলশিং, ক্লব অমদি মৈরা পায়বী লুপশিংগী মীহুৎশিংনা শরুক য়াদুনা লৈখিদ্রবা লুচিংবা অসিগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমখিবগা লোয়ননা মিনিট ২ তূমীন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী মনাক্তা ঈংনা-চিক্না লৈরুনবা থৌনিখি।

অমরোমদা, পাইওনির এদ্যুকেসন এন্দ স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (পি ঈ এস য়ু), ওইনামগী মেম্বর পূম্নমক্না শরুক য়াদুনা দা. আই ইবোহলবী, এক্স এম এল এ, ওইনাম এ/সীগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎপা ওইনা মিনিট ২ তূমীন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা-চিক্না লৈরুনবা সাইলেন্ট ওবজর্ভেসন অমা ঙসি য়ুনিয়ন অসিগী ওফিসতা লৈঙাক্না পীবা এস ও পি মতিক চানা ঙাক্তুনা পাঙথোকখ্রে হায়না পি ঈ এস য়ুগী ওইনামগী প্রসিদেন্ট থিংবাইজম স্বামিকুমারনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

নাকল অমরোমদা, দা. আই ইবোহলবীনা লৈখিদবদা লৈমরাম ৱারোইচীং খুলগী ওইনা অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অমা ৱারোইচীং কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

মীওই কয়ানা কর্ফিয়ু থুগায়বা ...

লামায় ১গী মখা... ১৭০ ফাগৎখি। লৈঙাক্না থম্লিবা কর্ফিয়ু অমদি মীয়াম তীনবা মফমদা ফেস মাস্ক উপ্নবা, সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্নবা অমদি তিল শিংপা য়াদে হায়বা গাইদলাইনশিং থুগায়বা মীওই কয়া লেপ্তুনা ফাগৎলি। মে ২৩ ফাওবদা হায়রিবা অথিংবশিং অমদি গাইদলাইনশিং অসি থুগায়বগীদমক পুলিসনা তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিং হায়বদি ইম্ফাল ৱেষ্টতা মীওই ২৫,৮৮৩, ইম্ফাল ইষ্টতা ৫,০৪৩, থৌবালদা ৬৫,৮৯৫, ককচিংদা ৫,৩৩৫, চান্দেলদা ১০৩০, তেংনৌপালদা ৫৫৩, বিষ্ণুপুরদা ২২,০১৮, চুড়াচান্দপুর ৮৮৬৭, উখ্রুলদা ১৯০৩, কামজোংদা ১০৮, সেনাপতিদা ১০৬৮, কাংপোকপীদা ৮৮৭, তমেংলোংদা ৮৬০, নোনেদা ২৩৩ অমসুং জিরিবামদা ২০৮৫ য়াওনা পুন্না মীওই ১,৪১,৭৬৮ দিটেন তৌখি। দিটেন তৌখিবা অসিদা গাড়ী ৫১,৮৫০ সু য়াওখি। লোয়ননা দিটেন তৌরবশিং অসিদগী ফাইন ওইনা পুন্না লুপা ২,০৮,৮৮,৮৬০ থিহনখি হায়রি। অদুগা ফেরজোল দিষ্ট্রিক্টতগীদি লৈঙাক্কী অথিংবা অমদি গাইদলাইনশিং অসি থুগায়বা মীওই অমত্তা ফাগৎপগী রিপোর্ট লৈতে হায়রি।

অমরোমদা, তোঙান-তোঙানবা মীওই কয়ানা পাউচে অসিদা ফোঙদোক্নরকপদা, লৈঙাক্না কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ অসি লাকশিন্ননবা থম্লিবা অথিংবা অমদি পীরিবা গাইদলাইনশিং ঙাক্না চৎতবা মীওই কয়া য়াওবনা লায়না-লাইচৎ অসি শন্দোকপগী চাং হেনগৎহন্নবা মচাক অমা ওইরে। হৌখিবা নুমীৎ নীনি অসিদা মীওই ৭০০কী মথক্তা পোজিটিভ ওইবা থেংনরি। লৈবাক অসিগী অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা পোজিটিভ ওইবা চাং হন্থরকখ্রবসু ষ্টেট অসিগী ওইনদি হেনগৎলক্লি। ওইরিবা ফীভম অসি য়েংলুরগদি লৈঙাক্না লায়না-লাইচৎ অসিবু লাকশিন্ননবা লৌখৎলিবা থৌরাং-থৌশিলশিংদা অহো-অরাক য়াওরব্রা হায়বদু লৈঙাক্কী লুচিংবশিংনা রিভিয়ু তৌহন্নিংই। মীয়াম্নসু ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা লৈঙাক্না পীরিবা গাইদলাইনশিং অসি ঙাক্না চৎহন্নিংই হায়নসু ফোঙদোক্নরক্লি।

বোসেমগী ক্লাস টেন এগজামিনেসন থাগদবা...

লামায় ১গী মখা... লৈঙাক্কী ইনিসিএটিভকী মখাদা বোর্দ, কাউন্সিল অমদি য়ুনিভর্সিটিগী ওথোরিটিশিংনা লাইচৎ অসি থেংন-থেংননা মহৈরোয়শিংগী তোঙান তোঙানবা য়াইফনবা খোঙথাং কয়া লৌখৎনবগী ঈ-পাউ কয়া তাবা ফংলি।

নাকল অমরোমদা, নেসনলগী ওইনা সী বি এস ঈনা কন্দক্ট তৌবা ক্লাস টেনগী এগজামিনেসন কোভিদকী হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিগী য়েংলগা মহৈরোয়শিংগী য়াইফনবা লৌখৎলকপা খোঙথাং অমা ওইনা সী বি এস ঈগী ওথোরিটিনা মেকানিজম অমা পুথোক্তুনা এগজামিনেসন প্রমোসন পীখিবা লৈরে অমদি ক্লাস ত্বেলভকী মহৈরোয়শিংগীসু লৌখৎপা য়াবা থবকশিং লৌখৎনবা খন্নরি হায়বগী পাউ তাবা ফংলি।

হীরম অসিদা মণিপুর লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংনা অথুবদা মহৈরোয়শিংগী করিয়র শেম্বা য়াবা তাঙ্ককশিংগী এগজামিনেসনশিং অসি করম্বা মওংদা পাঙথোক্কনি অমদি প্রমোসন পীরগনা করি করম্বা বেসিসতা পাঙথোক্কনি অমসুং করম্বা মেকানিজম শীজিন্নগনি হায়বদু অথুবা মতমদা খন্নদুনা মহৈরোয়শিংদা ফাওরিবা লাংতক্নবা অসি কোকহনবীনবা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অথুবা মতমদা থবক লৌখৎপীয়ু হায়রি। তুংগী হৌরক্লিবা মহৈরোয়শিংগী অহানবা চাংয়েং এগজামিনেসন ওইরিবা ক্লাস টেন অসিদা হান্না লৈঙাক্না ফোকস পীদুনা থবক পায়খৎপীনবসু মহৈরোয়শিংগী লূপশিং অসিনা আপিল তৌরক্লি।

মসিগী মতাংদা হৌখিবা মে ২১দা প্রাইভেট স্কুল এসোসিএসনগী মীহুৎশিংগা মহৈরোয় লূপ ৬কা ক্লাস টেন অমদি ত্বেলভকী মতাংদা ফম্মিন্নদুনা খন্নখিবসু লৈখ্রে হায়রি।

লৈঙাক্না জোব কার্দ হোলদরশিংগী...

লামায় ১গী মখা... লাইএবিলিটিশিংগী পীফম থোকপা লুপা ক্রোর ৬৫০,৮১.৪গী মনুংদা শুপ্নতগী লুপা ক্রোর ১৬০ খক্তমক থাদোরকপসি য়ানীংদে। মরম অদুনা পি আর আইশিংনা থাদোরক্লিবা শেনফম অসি লৌজররোই হায়রি। মরমদি জোব কার্দ হোলদরশিংগী ফংফম থোকপা শেল অমদি পি আর আইশিংগী পীফম থোকপা মেটরিএল কম্পোনেন্টশিংগী শেল ফাইনান্সিএল য়র লোইরবা ফাওবদা করিগীদমক ফাজিন্দুনা থম্লিবনো। অমরোমদা, মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা ফন্দ মতম চানা থাদোকপীবগী মহুত্তা সোসল মীদিয়াগী খূথাংদা পি আর আইশিংবু মীয়ামদা লান্না উহন্নবা হোৎনরকপা অসিসু লাইবক থীবনি হায়রি।

জোব কার্দ হোলদরশিংনা শূরিবা থবকশিং অসি ৱার্ক দিমান্দদা বেজ তৌবনি। মাগী মাগী থবক্তুগী মতুংইন্না ৱেজশিং থোক্লকই। মেটরিএল কম্পোনেন্ট য়াওদনা ৱেজ থোক্লক্লোই। মরমশিং অসিনা মাগী মাগী পীফম থোকপা কুমজা ২০২০-২০২১গী মতুং ইনবা ৱার্দশিংগী লৈজখ্রবা পীফম থোকপশিং অদু হায়রিবা শেনফম অসিগী মনুংদগী করম্বা ৱার্দতা পীরগা করম্বা ৱার্দকীনা পীরোইদৌরিবনো। জোব কার্দ হোলদরশিংগা পি আর আইশিংগী মরক্তা নুংশিনহন্দনবা শিনবীগনু। ৱাজরবা জোব কার্দ হোলদরশিংগী য়েংবীদুনা অচান মীরাই নাইদনা অচুম্বা তৌবীয়ু। কোভিদ-১৯গী মপান থোক্না থবক শূবা চৎপা য়াদ্রবা মতম অসিদা অথুবা মতমদা পীথোকফম থোকপা খূৎশুমল অমসুং মেটরিএল কম্পোনেন্টকী শেল পূম্নমক লোইনা পীথোক্কদবনি হায়রি।

হায়পোক্লোরাইট কাপথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচএনএস):

মালেম অসিদা মীওই কয়াগী পুন্সি লৌখ্রবা তমথিরবা লাইচৎ কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভনা ইন্দিয়াদা অহানবা ৱেভতগী হেন্না কন্না চৈথেং পীরি। মী পোজিটিভ ওইবগী চাং অমদি মী শিবগী চাং লেপ্পা লৈতনা ৱাংখৎলক্লি। মফম মফম কয়াদা লৈঙাক্না অমদি এন জি ওশিং অদুগা সী এস ওশিংনসু চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎনরি। চেকশিন থৌরাংগী খোঙথাং অমা ওইনা ককচিংদসু ঙসি ককচিং খুল্লেন লৈশাংবম পরেংদগী সোসল ৱর্কর য়েংখোম নিলচন্দ্র অমদি ককচিং ময়ায় লৈকায়দগী ক্ষেত্রিময়ূম বিরেন, অনীনা ককচিংগী ৱার্দ নম্বর-৯দা সোদিয়ম হায়পোক্লোরাইদ কাপথোকহনখি।

মতাং অসিদা ক্ষেত্রিময়ূম বিরেননা হায়, কোভিদ য়াম্না ৱাংবা রেটতা শন্দোক্লিবা অসিবু থদৎনবা হায়দুনা খোঙথাং অমা ওইনা ঙসি সোদিয়ম হায়পোক্লোরাইদ অসি কাপথোকচবনি। অদুবু অসুম্না গাড়ীদগী কাপথোকপা অসিনা কাচিন-কোয়া য়ৌবদি ঙমদে, মরম অসিনা য়ূমগী মীওইশিংনা ইশা ইশানা সোল্যুসন অসি য়ূমগী কাচিন-কোয়া য়ৌনবা কাপ্পীরবদি হেন্না ইফেক্টিভ ওইগনি হায়খি।

সোসল ৱর্কর ৱাই নিলচন্দ্রনা হায়, ঙসি সোদিয়ম হায়পোক্লোরাইদ কাপথোক্লিবা অসিসু খোঙথাং অমনি। ঙসি ৱার্দ নম্বর-৯ কাপ্লবা মতুংদা অতৈ ৱার্দশিংদসু কাপথোক্নবা হোৎনরি। ঙসি অসুম্না সোল্যুসন অসি কাপ্লিবা অসিদি খোঙথাং মচানি। মসিখক্তনদি কোভিদ শন্দোক্লিবা অসি থদৎপা ঙম্লোই। মীয়াম্না ইশা ইশানা য়ূমদগী মপান থোকপীদবা, চথোক্লবসু মাস্ক নিয়ম চুম্না উপ্পীবা, সেনিটাইজ তৌবীবা অমদি মী য়াম্না পূনবীদবনচিংবা তৌবীদুনা এস ও পি ঙাক্না লৈবীয়ু হায়খি।

অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচএনএস):

মণিপুর ফিল্মগী তাইবঙদা অরংবা থৱানগুম ঙানবীরম্বা সিনেমাটোগ্রাফর ইরোম মায়পাক্লা খঙহৌদনা লৈখিদবদা সিনে দিরেক্টর্স গীল্ড মণিপুরনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি। লৈহৌরিবা ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়াবগা লোয়ননা মাগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা-চিক্না পোত্থাবা ওইরসনু হায়না সিনে দিরেক্টর্স গীল্ড মণিপুরগী সেক্রেটরি জেনরেল ওজিৎবাবু নিংথৌজমনা প্রেসতা থোকপা চেরোলদা হায়রি।

পোজিটিভ ওইখ্রবা রাকেশ নাওরেমগী ইমুং মনুংদা তেংবাং পোৎলমশিং পাংখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচ এন এস):

লমদমসিগীতা নত্তনা অসাম, ত্রিপুরা, ম্যান্মার অমদি বাংলাদেশ লৈবাক্তা খুন্দারিবা মীতৈ ইচিল-ইনাওশিংগী য়াইফ থৌরাং কয়াদা মাঙজিল থানা চেন-চোংলিবা লমদমসিগী নহা ওইরিবা রাইটর, ফিল্ম প্রোদ্যুশর, সোসল এন্দ কলচরেল এক্টিভিষ্টি রাকেশ নাওরেম কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে তাবদা মহাক অমদি মহাক্কী ইমুং মনুংদা নংলিবা অৱাবদা ঙসিসু ৱাংজিং তেন্থাগী এম এল এ পাওনম ব্রোজেনগী মীৎয়েং মখাদা বি জে পি ৱাংজিং তেন্থা মন্দলগী থৌমীশিংনা শেল অমদি নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা চেঙ, হৱাই, থাও, থুম, আলু অমদি অতৈ অচা অথক কয়া মতেং পাংখ্রে।

মরক অসিদা রাকেশ নাওরেম কোভিদ-১৯গী চৈথেং ফংলে তাবদা ফিল্ম ফোরম মণিপুর, পেট্রিওটিক রাইটর্স ফোরম, মণিপুর, অসাম এন্দ ত্রিপুরা, ৱাংজিং সেন্টর বেপ্টিষ্ট চর্চ, মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী সেক্রেটরি মুতুম রমনি, পি দব্লিয়ু দি, জি ও এমগী চীফ ইঞ্জিনীয়র নোংমাইথেম নোরেন, ইম্ফাল ইষ্ট জিল্লা পরিষদকী উপ অধক্ষ্য ছেত্রি তামা, জেদ পি সেরাম নিকেন, জেদ পি খাঙেন্বম ওংবী মনিশং, বিষ্ণুপুর হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্রিন্সিপাল দব্লিয়ু হেমাবতি, তেন্থা গ্রাম পঞ্চায়তকী প্রধান এন প্রদিপ অমদি পঞ্চায়তি মেম্বরশিং, ফর্ষ্ট এম আরগী সী এম রাজেন, এম/এস পুর্নিমা ইন্টরপ্রাইসেসকী প্রোপ্রাইটর নিংঙোম্বম ওংবী রানিবালা, ফিল্ম এক্টর এন্দ দিরেক্টর বি রোজি অমদি ইতিন কম্প্যুটরাইজ আই টেষ্টিং এন্দ আই ক্যের সেন্টরগী প্রোপ্রাইটর এম ইতিন মৈতৈনচিংবা শক্নাইরবা মীওই কয়ানসু শেল অমদি অতৈ চান-থক্নবা তেংবাং পোৎলমশিং রাকেশ নাওরেমগী ইমুং মনুংদা খূৎশিন্নখ্রে।

হোম আইসোলেসন তৌরিবা পাউমীদা তেংবাং পীখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচএনএস):

কোভিদ-১৯গী মরক্তা মথৌ তৌদুনা মীয়ামদা মতম মতমগী ঈ-পাউ য়ৌহন্নবা হোৎনরিবা ইমেজ টি ভি ককচিংগী পাউমী অমনা কোভিদ-১৯গী চৈথেং নংদুনা হৌজিক হৌজিক হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈরিবা অসিদা চান-থক্নবা অমদি হীদাক লাংথক্কী মতেং পীখ্রে।

ইমেজ টি ভি ককচিংগী ষ্টাফশিং অমসুং ইমেজ টি ভিগী ওফিসকী মায়কৈদা চান-থক্নবা অমদি হীদাক লাংথকশিং তেংবাং পীখি অমসুং অনাবা অথুবা মতমদা ফগৎলক্তুনা মহৌশাগুম থৌ পাংবা ঙম্বা ওইরসনু হায়নসু তাইবং মপুগী মফমদা থৌনিজখি।

অমরোমদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ৱর্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়নগী থৌমীশিংনসু ইমেজ টি ভিগী পাউমী অসিনা হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈরিবা অসিদা হীদাক লাংথক অমদি চানবা পোৎলমশিং মতেং পাংখ্রে।

পাউমী অসি ককচিং দিষ্ট্রিক্ট জর্নেলিষ্ট এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি থৌ পুদুনা ককচিং দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা পাউমীশিংবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা য়াম্না কন্না হোৎনরিবা নহা ওইরিবা পাউমী অমনি হায়রি।

পোজিটিভ ওইবগী মশীং হেনগৎলক্তুনা ...

লামায় ১গী মখা... চুড়াচান্দপুর ৭১, চান্দেল ৪, সেনাপতি ১৩, তমেংলোং ৯, কামজোং ৩, নোনে ২, জিরিবাম ৫ অমসুং কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ৫নি হায়রি।

ঙসি নুংথিল থোরকখিবা চেরোল অসিগী মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪দা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদবা মীওইশিংগী মশীংনা ১৪নি। লৈখিদবশিং অদুগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ৬, ইম্ফাল ইষ্ট ৩, চুড়াচান্দপুর ২, ককচীং ১ অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ১নি। মখোয়শিং অসি চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা ২, শিজ হোস্পিটালদা ২, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা ১, রিমসতা ৪ অমসুং জেনিমসতা ৫ লৈখিদবনি।

ঙসি লৈখিদবা মীওই ১৪ অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদবা মণিপুরগী অপূনবা মীওই ৬৮৮ শুরে হায়রি। অমরোমদা, ঙসিগী ওইনা দিসচার্জ তৌখ্রবা মীওইশিংগী মশীংনা ৬০৯নি। মখোয়গী মনুংদা সেন্ত্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সকী ৪২, হোম আইসোলেসনদগী ৪৬৬, রিমস ৮, জেনিমস ৪, আর দি ৱিং ৩, লানভা ৫, বি বি ১০, এন এস য়ু ৭, শিজ হোস্পিটাল ১৫, লম্বোইখোংনাংখোংগী সী সী সী ১৯, জিবন হোস্পিটাল ২, থৌবাল ৮, বিষ্ণুপুর ৩, ককচীং ১, উখুল ৩, চুড়াচান্দপুর ৪, চান্দেল ১, সেনাপতি ৩, তমেংলোং ৩ অমসুং জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ২নি হায়রি। ঙসি থেংনখিবা পোজিটিভ কেসশিং অসি হাপচিল্লবা মতুংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মণিপুরগী কোভিদ-১৯ পোজিটিভ কেস মশীং ৪৪,০৮৯শুরে। মসিগী মনুংদা এক্টিভ কেসকী মশীংনা ৬,৫৩৪শুরে। অদুগা লায়না অসিদগী ফগৎলকপা মীওইশিংগী মশীংনা চাদা ৮৩.৬১দা হন্থরক্লে হায়রি। লোয়ননা ঙসি ফাওবগী ওইনা হীদাক কাপথোকখিবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীংনা ৩,৪৫,৬১৫শুরে হায়রি।

লৈঙাক্না লোন মোরাটোরিয়মগী খুদোংচাবা ফংহনবীয়ু...

*লামায় ১গী মখা...*অমা ফংবা হায়বদু ওইনরে। পাউচে অসিগী খূৎথাংদা ললোন-ইতিক মচা-মচা তৌনবগীদমক বেঙ্কতগী মুদ্রাগী মখাদা লোন লৌরুবা অমদি প্রাইভেট জোব তৌবগী চৎথোক-চৎশিন তৌনবা বেঙ্কতগী গাড়ীগী লোন লৌরুবা মীওই খরনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না কৈথেল হাংদুনা পোৎচৈ য়োনবা য়ারিঙৈ মতমদদি বেঙ্কতগী লৌরুবা লোনগী শেনফম অদুগী থাগী শিঙ্গৎফম থোকপা শেনফমশিং অদুমক শিংদুনা লাক্লি। অদুবু চাওরাক্লা থা অনীমুক অসিদগী মপুংফানা পোৎচৈ য়োনবা য়াদবদগী অৱাবা কয়া মায়োক্নরি। অদুমকপু অৱৈবা শেল পুথোক্তুনা বেঙ্ককী থাগী পীফম থোকপা শেনফমদি অদুমক পীদুনা লাক্লি। অদুবু কর্ফিয়ু অমসুং কন্টেনমেন্ট জোনগী অথিংবা মতম শাংনা থম্লক্লিবা অসিনা মরম ওইদুনা অমদি লৈকায়-লৈকায়দা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা অমদি শিবা য়াওশিল্লকপনা মরম ওইদুনা অৱাবা কয়া অমসু মায়োক্নরে। লোয়ননা গাড়ী লোনদা লৌরুবা মীওই অমনা ফোঙদোরকপদা প্রাইভেট স্কুলদা ওজা ওইবদগী স্কুল ফাওবা চৎথোক-চৎশিন তৌনবা গাড়ি লোনদা লৌরুবনি। মমাং চহীদগী হৌজিক ফাওবা স্কুল কাবা য়াদবনা হান্না ফংলম্বা থাগী তোলোপসু ফংখিদবনা গাড়ীগী লোন শিংনবা হোৎনবদা অচৌবা অৱাবা কয়া মায়োক্নরে। অদুবু কৈথেল হাংলিঙৈ মতমদা স্কুলদা কাদ্রবসু তোঙানবা শেন্থোক লম্বী অমদা থবক তৌদুনা মদুদগী ফংলকপা শেনফমনা লোনগী থাগী পীফম থোকপা শেনফমশিং পীরম্মী। অদুবু হৌজিক্তি কর্ফিয়ুগী অথিংবা থম্লক্লিবনা মরম ওইদুনা থবক অদুসু তৌখিবা য়াখিদ্রে। মরম অদুনা লৈঙাক্কী মরী লৈনরিবা চীফ সেক্রেটরি অমদি বেঙ্কশিংগী হায়র ওঠোরিটিশিংনা মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবা অসি য়েংবিদুনা থা খরগী ওইনা লোনগী শেনফম থিহনদনবা থৌরাং-থৌশিল পায়খৎপীরবদি মীয়ামগী অৱাবশিং অসি খরদং ওইরবসু কোকপা ঙমগনি।

হৌজিক ওইরক্লিবা কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভ অসিদা লৈকায়-লৈকায়দা তৌরম্বা মরুপ-মপাং, টেন্দর, মাইক্রো ফাইনান্সকী শেন্দোই পীবা পূম্নমক লেপ্তুনা লৈরিবনি। মরম অদুনা তোঙান-তোঙানবা নেসনলাইজ, কোওপরেটিভ অমদি প্রাইভেট বেঙ্কশিংদগী ললোন-ইতিক তৌনবা, গাড়ীগী লোন অমদি তোঙান-তোঙনবা থবক থৌরমশিংগীদমক লৌরুবা লোনগী থাগী ওইনা ই এম আই থিরিবা অসি মতম খরগী ওইনা থিহন্দনবা থৌরাং পায়খৎপীয়ু হায়নসু মীওইশিং অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।